
# ফেদররনা ৱারিঙ্কাবু মায়থীবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙখ্রে

## মিরজা-দোদিগ মিক্স দবলসকী ফাইনেল য়ৌখ্রে, সেন্দস-সাফারোভানা দবলসকী টাইটল লৌখ্রে







মেলবোর্ন, জান্যুৱারী ২৭ :

স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদররনা মরৈবাক মচা ষ্টান ৱারিঙ্কাবু মায়থীবা পীরম্লগা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে। কুমজা ২০১০ গী মতুং তারকপদা ফেদররনা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী ফাইনেল চঙবা হন্দক্না অহানবনি।

মশাগী চহী ৩৫ গা নুমিৎ ১৭৪ শুরবা ফেদররনা কেন রোজৱালগী হেক মথংদা খ্বাইদগী অহল ওইরবা গ্রান্দ স্লাম ফাইনেলিষ্ট ওইরে। কুমজা ১৯৭৪ দা পাঙথোকখিবা য়ু এস ওপনদা রোজৱালনা মশাগী চহী ৩৯ শুরকপা মতমদা ফাইনেল রাউন্দ চঙবা ঙমখিবনি।

১৭শুবা সীদতা লৈরিবা রোজর ফেদররনা নোংমাইজিং নুমিৎকী নুমিদাংদা রফেল নদাল নৎত্রগা গ্রিগোর দিমিট্রোবকা ফাইনেলদা থেংনরগনি।

সেমী ফাইনেলদা ষ্টান ৱারিঙ্কাবু ৭-৫, ৬-৩, ১-৬, ৪-৬, ৬-৩ দা মায় পাল্লবা মতুংদা ফেদররনা হায়খি, মতম কুইরবগী তুংদা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী ফাইনেল য়ৌরকপদা হায়নিঙাই লৈতনা হরাউবা পোকই। হন্দক্কী টুর্ণামেন্ট অসিদা ফাইনেল রাউন্দ চঙগনি হায়বা থাজখিদে। খুউদা শোকপদগী থা ৬ পোত্থারুরবা মতুংদা নৌনা শান্নবা হৌরকখিবা ফেদররনা মরু ওইবা টুর্ণামেন্টকী ফাইনেল য়ৌরকপা হন্দক্না ২৮শুবনি।

মমাঙগী চহীশিংদা শান্নখিবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনদা ফেদররনা সেমী ফাইনেলদা মায়থীবা ফংখিবনি। খ্বাইদগী ইকোন কোনবা ওইনা কুমজা ২০১২ দা ৱিমব্লেদনগী টাইটল লৌদুনা মশাগী ১৭শুবা গ্রান্দ স্লাম টাইটল লৌবা ঙমখি।

সেমী ফাইনেল মেচতা শান্নরোয় অনীমক্না নিংথিজনা শান্নখিবগা লোয়ননা ব্রেক পোইন্ট অহুম কনবা ঙমখি। শান্নরোয় অনীনা মমাঙদা ২১রক শান্নখিবদা ৱারিঙ্কানা ফেদররবু ৬-১ দা অমুক্তা থোইবা ঙমখিদ্রি। অদুবু হন্দক্কী ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী সেমী ফাইনেলদা অহানবা সেটকী অহানবা মেচতা ৱারিঙ্কানা ব্রেক অমা ফংদুনা ফেদররদগী মাঙজিল থাখি। অদুবু অহুমশুবা সেট য়ৌরকপদা ফেদররনা ৱারিঙ্কাবু লাকশিনখিবগা লোয়ননা মেচ অদু মায় পাকপা ঙমখি।

অমরোমদা, সানিয়া মিরজা অমদি ইভান দোদিগকী জুরানা সমন্থা ষ্টোসর অমদি সেম গ্রোথপু ৬-৪, ২-৬, ১০-৫ দা মায়থীবা পীরম্লগা মিক্স দবলসকী কেটগোরিদা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী ফাইনেল য়ৌখ্রে।

ইন্দিয়াগী মাঙজিল থাবা টেনিস শান্নরোয় সানিয়া মিরজানা হৌজিক ফাওবদা মিক্স দবলসকী টাইটল অহুম্লক লৌখ্রে। খ্বাইদগী ইকোন কোনবা ওইনা ব্রাজিলগী ব্রুনো সোর্সকা পারগা কুমজা ২০১৪ গী য়ু এস ওপন লৌখি।

মমাঙ চহীদা মহাক্না দোদিগকা পারগা ফ্রেঞ্চ ওপনগী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। অদুবু লীএন্দর পেস অমদি মার্টিনা হিঙ্গিসকী মখুৎতা মায়থীখি।

সানিয়া অমদি দোদিগকী জুরানা অতোপ্পা সেমী ফাইনেল মেচ অমদা শান্নগদৌরিবা এলিনা স্বিটোলিনা অমদি খৃষ্ট গুসিয়নগী জুরা অমসুং এভিগেল স্পেয়রস অমদি জুআন সেভাষ্টিয়ন কেভালগী অথোইবগা ফাইনেলদা থেংনরগনি।

সিজন অসিগী ওইনা গ্রান্দ স্লামগী ফাইনেল রাউন্দ য়ৌরকপা ইন্দিয়া মচা সানিয়া মিরজা মথন্তনি। রোহন বোপান্না, লীএন্দর পেস, পুরভ রাজা, দিভিস সরন অমদি জুনিয়র শান্নরোয় জিল দেসাই অমসুং সিধান্ট ভান্তিয়াদি হৌগৎলকপদা মায়থীবা ফংহৌরবনি।

অমরোমদা, অমেরিকাগী বেথানি মাট্টেক সেন্দস অমসুং চেকোস্লো-ভাকিয়াগী লুসি সাফারোভাগী জুরানা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনদা নুপীগী দবলস টাইটল লৌখ্রে।

অনীশুবা সীদতা লৈরিবা জুরা অসিনা ফাইনেল মেচতা চেকোস্লো-ভাকিয়াগী এন্দ্রিকা হলাভাকোভা অমদি চাইনাগী পেং স্বাইগী জুরাবু ৬-৭ (৩), ৬-৩, ৬-৩ দা মায়থীবা পীদুনা ওপনগী টাইটল লৌখিবনি।

বেথানি মাট্টেক সেন্দস অমসুং লুসি সাফারোভানা থংন-থংননা মেচ ১২ মায় পাক্তুনা লাকখিবনি। কুমজা ২০১৫ দা অহানবা ওইনা জুরা অসিনা দবলসকী টাইটল লৌখি। অদুবু সাফারোভাগী হকচাংদা অশোকপা য়াওরকপদগী মতম খরা শান্নবা ঙমদনা লৈরুরে।

জুরা অসিনা কুমজা ২০১৫ গী ফ্রেঞ্চ ওপন অমসুং মমাঙ চহীগী য়ু এস ওপনসু লৌখি। দবলসকী টাইটল লৌরবা শান্নরোয় অনী অসিনা শেলগী মনা ওইনা ওষ্ট্রেলিয়ন দোল্লর ৬৬০,০০০ ফংখ্রে।

ইন্দিয়াগী লীএন্দর পেস অমসুং মার্টিনা হিঙ্গিসকী জুরাদি ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা ওষ্ট্রেলিয়াগী সমন্থা ষ্টোসর অমসুং সেম গ্রোথকী মখুৎতা মায়থীবা ফংহৌখি। মেচ শান্নরিঙৈদা পেসকী মবুক নারকপদগী ঙাইহাক শান্নবা ঙমখিদে।

পাউমীশিংগা উনবদা হিঙ্গিসনা হায়খি মদুদি, মতীক চানা প্রেক্টিস তৌবা ঙমখিদবগা লোয়ননা সেকেন্দ রাউন্দ লোইরবা মতুংদা নুমিৎ নীনি গেপ লৈখিবা মরম্না ক্বার্টর ফাইনেলদা পোহৌনবগী মরম ওইখি।

# গোল্ড মেদল লৌরকখ্রবা ৱুশু শান্নরোয় হাওবিজম ভুমিকা, নিংথৌজম চাওবা ওকখ্রে



ইম্ফাল, জান্যুৱারী ২৭ (ঐচএন এস):

খেলো ইন্দিয়াদা, মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শান্নরুবা, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ৱুশু এসোসিএসনগী শান্নরোয় অনী ঙসি ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

ৱুশু শান্নরোয় অনী অদুদি তৌবুল অৱাং লৈকায়দগী হাওবিজম ভুমিকা দেবী (কেজি ২৮) অমসুং নিংথৌখোং মমাঙ লৈকায়দগী নিংথৌজম চাওবা দেবীনি।

মখোয় অনীনা সনাগী মেদল অনী অমদি সনাগী মেদল অমা পূন্না মেদল অহুম লৌরকখি হায়না বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ৱুশু এসোসিএসন্দগী থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

# অহুম্লকশুবা ইমা পান্থোইবী ফুটবোল টুর্ণামেন্ট ২০১৭

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ২৭ (ঐচএন এস):

নোংইন্না প্রজেন্ট তৌদুনা কোংবা য়ুথ ওর্গেনাইজেশন্না শিন্দুনা কোংবা নোংথোম্বম লৈকায়দা লৈবা কে ৱাই ওগী গ্রাউন্দদা চথরিবা অহুম্লকশুবা ইমা পান্থোইবী ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা ক্বাকৈথেল এফ সি অমসুং য়ু এফ এ থৌবাল গোল চন্নখিদ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ২৪ না শরুক য়াদুনা চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা ৱাই ও সিনা ঐচ এল এস ৱাই দি ওবু গোল ৩-০ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা মায় পাল্লবা ৱাই ও সিগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না কোওর্দিনেসন লৈনা শান্নখিবনা টিম অদুগী অহানবা গোল নরেননা মেচকী ৭ শুবা মিনিটতা চনখি। মেচ অদুগী অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা গোল বুংচানা থংন-থংননা মেচকী ৩৯ অমসুং ৪০ শুবা মেচতা চনখি।

হয়েং অহানবা মেচ নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা লকি সঙাই অমসুং নিল এফ সিগা শান্নগনি। অনীশুবা মেচ নুংথিল পুং ২ তাবা মতমা এস ৱাই এ সি অমদি সোনালিকাগা শান্নগনি।

মেচ অদুদা মায়কৈ অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা মেচকী অঙনবা মতমদগী হৌনা য়াম্না হৈশিংবা মান্নন শান্নখিবনা টিম অমনা অমবু লাকশিনবা ঙম্নখিদে। লোয়ননা মেচ অদুদা মায়কৈ অনীমক্কী গোল ওইবা য়াবা খুদোংচাবা কয়া ফংনরবসু গোল ওন্থোকপা ঙম্নখিদে।

# এলাইট ক্রিকেটকী ফাইনেল শান্নরগনি

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ২৭ (ঐচএন এস):

মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসন্না শীন্দুনা লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা চথরকখিবা অহুমশুবা এম সি এ দল্লিয়ু প্রহলাদ অমসুং দল্লিয়ু রমানন্দ এলাইট ক্রিকেট টুর্ণামেন্ট ২০১৬-১৭ কী ফাইনেল থা অসিগী ৩০ দা রোয়ল এলেভেন য়ঙ্গর ক্রিকেট ক্লব, নাগামপাল অমসুং সাইক্লোন ক্রিকেট ক্লব, থাংমৈবন্দ অনীনা শান্নরগনি।

টুর্ণামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেচ অয়ুক্কী পুং ৯ তাবা মতমদা শান্নবা হৌরগনি। ফাইনেল মেচ শান্নদ্রিঙৈগী মাঙওইননা লৈখিদ্রবা দল্লিয়ু প্রহলাদ অমসুং দল্লিয়ু রমানন্দগী মিতমদা মীয়াম লৈ কত্তুনা ঈকায় খুম্নবা উৎকনি।

# থাও ষ্টেট লেভেল ফুটবোল টুর্নামেন্টতা সি এ ৱাই সি অমসুং টি বি এস এফ এ মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ২৭ (ঐচএন এস):

থাংমৈবন্দ এথলেটিক য়ুনিয়ন (থাও) না শিন্দুনা থাও স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা চথরিবা ৩০শুবা মিনি অমসুং ২৪ শুবা সব-জুনিয়র থাও ষ্টেট লেভেল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬-১৭ কী ঙসি শান্নখিবা চহী ১৪ মখাগী মেচতা টি বি এস এফ এ তাওবুংখোক অমদি চহী ১৭ মখাগী কাঙলুপ্তা সি এ ৱাই সি ন্যু চেক্কোন মায় পাকখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা চহী ১৪ মখাগী মেচ অদুদা টি বি এস এফ এ তাওবুংখোকনা য়ুম্নু ওইরিবা থাও থাংমৈবন্দগী টিম বি গোল ৬-০ দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অদুদা চাওনা মায় পাল্লবা টি বি এস এফ এ তাওবুংখোক্কী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না হৈ শিংনা শান্নদুনা ওপনিং টিমগী মায়কৈদা মীৎকুপ কাংদনা অকনবা এটেক কয়া লেপ্তুনা চথখি।

টি বি এস এফ এ তাওবুংখোক্কী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না কোওর্দিনেসন লৈনা শান্নরকপনা মেচ অদু ৱান সাইদদে ওইখি। টি বি এস এফ এ তাওবুংখোক্কী শান্নরোয় কে ঐচ লোয়ালাকপনা গোল অনী মেচকী ১০শুবা অমসুং ৩২ শুবা মিনিটতা চনখি। এল খেলজিৎনা গোল অমা মেচকী ১৩শুবা মিনিটতা টি ঐচ প্রিয়াবোলনা গোল অমা মেচকী ৩৪শুবা মিনিটতা, সি ঐচ কোকোচানা গোল অমা মেচকী ৩৯শুবা মিনিটতা, এল বিয়াসনা গোল অমা মেচকী ৪০শুবা মিনিটতা চন্দুনা টিমদুগী পুন্না গোল ৬ শুখি।

ঙসি শান্নখিবা চহী ১৭ মখাগী মেচ অদুদা সি এ ৱাই সি ন্যু চেক্কোন্না নাওচা ফুটবোল ক্লব এন এফ সি গোল ১-০ দা মায়থীবা পীখি। মেচ অদুদা লম্বা থেংনখিবা টিম অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না হৈ- শিংবা মান্নন শান্নখিবনা টিম অমনা অমবু লাকশিন্নবা ৱানখি।

মেচ অদুদা সি এ ৱাই সি ন্যু চেক্কোনগী মায় পাকপগী গোল অদু নাওচা ফুটবোল ক্লবকী শান্নরোয় রিয়ুবেল নৈসিলনা মেচকী ৩৯শুবা মিনিটতা চনখি।

# হজারি, তোম্বী পোলো টুর্ণামেন্ট

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ২৭ (ঐচএন এস):

মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিএসন্না শীন্দুনা চহী খুদিংগী লেপ্তুনা চথরকপা এন হজারি অমসুং ডা. এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্ণামেন্ট ২০১৭ হয়েংদগী ইম্ফালগী মপান কাংজেবুংদা তোঙান-তোঙানবা টিম ২৭ না শরুক য়াদুনা চথবা হৌরগনি।

মথং থাগী ৮ ফাওবা চথগদৌরিবা পোলো টুর্ণামেন্ট অসি হয়েং ৱার্ক্স অমসুং আই পি আরগী কম্মিস্নর কে রাধাকুমার, আই এ এস, এন শ্যামানন্দ সিংহ, রিটায়ার্দ আই পি এস অমসুং ডা. মোনিকা নাওরেম্না মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াগনি।

টুর্ণামেন্ট অসিগী হয়েং অহৌবা মেচ নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা চিংখৈ হুনবা পোলো ক্লব টিম সি অমসুং নম্বুল মপাল পোলো ক্লব টি এ অনীনা শান্নরগনি।

# সেপাক তাক্রৌ চেম্পিয়নশিপ

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ২৭ (ঐচএন এস):

অন্ধ্র প্রদেশকী কডাপাদা লৈবা ৱাই এস আর ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা ঙসিদগী চথবা হৌখ্রবা ২৭শুবা সেনিয়র নেসনল সেপাক তাক্রৌ চেম্পিয়নশিপ ২০১৭ কী ঙসি অহৌবা নুমিৎতা মণিপুরগী নুপা অমসুং নুপী টিম ইভেন্ট মায় পাকখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা নুপাগী অহানবা মেচতা মণিপুরদা তামিল নাডু রেগুু ৩-০ দা মায়থীবা পীখি। অহানবা রেগুু ২১-১৬, ১৮-২১, ২১-৭ তা, অনীশুবা রেগুদা ২১-১০, ২১-৬ তা অহুমশুব রেগুদা ২১-১২, ২১-৮ দা মায়থীবা পীখি। নুপাগী অনীশুবা মেচতা মণিপুরনা গোৱা রেগুু ৩-০ (২১-৫, ২১-৯), (২১-৩, ২১-৫), (২১-৮, ২১-৮) দা মায়থীবা পীখি।

নুপীগী ঙসি শান্নখিবা টিম ইভেন্টতা মণিপুরনা গোৱা রেগুু ৩-০ দা মায়থীবা পীখি।

# এ এফ সি ট্রোফিগী সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্ণামেন্টকী অহৌবা মেচতা হৈরোক এফ সি মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, জান্যুৱারী ২৭ (ঐচএন এস):

এথলেটিক এন্দ ফুটবোল ক্লব (এ এফ সি) থৌবাল অথোকপম্না শীন্দুনা ঙসিদগী অহুমশুবা এ এফ সি ট্রোফি সভেন মেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্ণামেন্ট ২০১৭ তোঙান-তোঙানবা টিম ১৩ না গ্রুপ মরিদা শরুক য়াদুনা চথবা হৌখ্রে।

টুর্ণামেন্ট অসিগী ঙসি হৌদোকপগী থৌরমদা থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল ৱার্দ নম্বর ৬ কী কাউন্সিল্লর কে ঐচ বিশ্বরজিৎ, এ এফ সি থৌবাল অথোকপমগী প্রসিদেন্ট অমসুং চেয়রপার্সন টি ঐচ শ্যামো, থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল ৱার্দ নম্বর ৭ কী কাউন্সিল্লর দল্লিয়ু প্রেমাবতিনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

ঙসি হৌদোকপা নুমিৎতা হৈরোক এফ সিনা লংদাই এফ সিবু গোল ২-০ দা মায়থীবা পীখ্রে। হৈরোক এফ সিগী গোল অনীমক শিতলনা চনখি। টুর্ণামেন্ট অসিগী ৱিন্নরদা ট্রোফিগা লোয়ননা লুপা ৬০,০০০ গী শেলগী মনা পীগনি। রন্নরস-অপতা ট্রোফিগা লোয়ননা লুপা ৪০,০০০ গী শেলগী মনা পীগনি।

**FIXTURE**

3RD AFC TROPHY – 2017

| | GROUP-A | | GROUP-B |
|---|---|---|---|
| 1 | SONALIKA, KONUNG MAMANG | 1 | KFC, ATHOKPAM |
| 2 | LANGDAI FC, KHONGJOM | 2 | RFC, SAGOLBAND KHAMNAM LEIRAK |
| 3 | HEIROK FC, HEIROK | 3 | AFA, THOUBAL NINGOMBAM |

| | GROUP-C | | GROUP-D |
|---|---|---|---|
| 1 | MAMMA FC, SAGOLBAND | 1 | PAMUBA FC, HEIROK |
| 2 | MEIRA FC, TEKCHAM | 2 | TKWA, TENTHA |
| 3 | GSFC, KEISHAMPAT | 3 | SYDA, ATHOKPAM |
| 4 | AFC, ATHKPAM | | |

FIXTURES

| DATE | TIME | TEAM VS TEAM | GROUP | MATCH NO. |
|---|---|---|---|---|
| 27/01/2017 | 2.00 PM | HEIROK FC VS LANGDAI FC | A | 1 |
| 28/01/2017 | 1.00 PM | RFC VS AFA | B | 2 |
| | 2.30 PM | PAMUBA FC VS TKWA | D | 3 |
| 29/01/2017 | 1.00 PM | MAMMA FC VS GSFC | C | 4 |
| | 2.30 PM | LANGDAI FC VS SONALIKA | A | 5 |
| 30/01/2017 | 2.00 PM | MEIRA FC VS AFC | C | 6 |
| 31/01/2017 | 1.00 PM | SYDA VS TKWA | D | 7 |
| | 2.30 PM | SONALIKA VS HEIROK FC | A | 8 |
| 1/2/2017 | 1.00 PM | MAMMA FC VS MEIRA FC | C | 9 |
| | 2.30 PM | KFC VS RFC | B | 10 |
| 2/2/2017 | 1.00 PM | PAMUBA FC VS SYDA | D | 11 |
| | 2.30 PM | GSFC VS AFC | C | 12 |
| 3/2/2017 | 2.00 PM | AFA VS KFC | B | 13 |
| 4/2/2017 | 1.00 PM | MEIRA FC VS GSFC | C | 14 |
| | 2.30 PM | MAMMA FC VS AFC | C | 15 |

# ৱান দে ইন্টরনেসনল সেরিজগীদমক মেথিয়ু ৱেদপু ওষ্ট্রেলিয়ন টিমগী কেপ্টেন ওইনা খনখ্রে



মেলবোর্ন, জান্যুৱারী ২৭ :

ন্যু জিলেন্দগা শান্নগদৌরিবা মেচ অহুমগী ওইবা ৱান দে ইন্টরনেসনল সেরিজগীদমক মেথিয়ু ৱেদপু ওষ্ট্রেলিয়ন টিমগী কেপ্টেন ওইনা খনখ্রে।

ষ্টিভ স্মিথনা খুজেংদা শোকপদগী পোত্থাখিবগা লোয়ননা দেভিদ ৱার্নরবু মতম খরা পোত্থানবা খঙহনখ্রবা মতুংদা মশাগী চহী ২৯ শুরবা ৱিকেট কিপ্পর মেথিয়ু ৱেদপু ওষ্ট্রেলিয়ন টিমগী লুচিংবা ওইনা খনখিবনি।

জান্যুৱারী ৩০ দগী ওকলেন্দদা হৌগদৌরিবা ৱান দে ইন্টরনেসনল সেরিজদা ৱেদনা ওষ্ট্রেলিয়াগী ২৪ শুবা ও দি আই কেপ্টেন ওইরগনি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা ভাইস-কেপ্টেন খনবা লৈত্রি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা ৱেদনা হায়খি, ওষ্ট্রেলিয়ন টিমগী কেপ্টেন ওইনা শান্নবা ফংলক্কনি হায়বা থাজরুদে। সেলেক্টর অমসুং বোর্দ ওফ দিরেক্টরসনা থাজবা থম্বীদুনা ও দি আইগী কেপ্টেন ওইনা খল্লকপদা অঙকপা পোকই।

হৌজিক হৌজিক নিংথিনা শান্নবা ঙল্লিবা অমসুং ও দি আই বেটসমেনগী ওইনা আই সি সি রেঙ্কিংদা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরিবা ৱার্নরবু ফেব্রুৱারী-মার্চতা শান্নগদৌরিবা ইন্দিয়া টুরগী শেম শাবা ওইনা মতম খরা পোত্থানবা খঙহনবা লৈখ্রবনি। মরম অদুনা সেলেক্টর অমদি বোর্দ ওফ দিরেক্টরসনা ৱেদপু ওষ্ট্রেলিয়ন টিমগী কেপ্টেন ওইনা খনবা তাখি।

ষ্টিভ স্মিথ অমসুং দেভিদ ৱার্নর য়াওদ্রবনিনা মেচ অহুমদা কেপ্টেন ওইনবগী খুদোংচাবা ফংলগনি। অদুম ওইনমক হান্নদগী চথদুনা লাক্লিবা শান্নবগী মওং-মতৌদা থোইদোক্লা অহোংবা লৈরোই হায়না ৱেদনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, ওষ্ট্রেলিয়াগী ইন্টরিম সেলেক্টর ত্রেভর হোন্সনা হায়খি, হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিদা মতীক চাবা কেপ্টেন খনবা তারবদি ৱেদ নত্তনা অতোপ্পা শান্নরোয় অমত্তা লৈতে। ষ্টিভ স্মিথ অমসুং ভাইস-কেপ্টেন দেভিদ ৱার্নর য়াওদ্রবা মতুংদা শান্নরোয় খরা কেপ্টেন ওইহন্নবা খন্নখি। অকোনবদা সেলেক্টরশিংনা মেথিয়ু ৱেদকী মমিং পুথোক্তুনা খন্নরবা মতুংদা মহাকপু ও দি আই সেরিজ অসিগী কেপ্টেন ওইহন্নবা ৱারেপ লৌখিবনি।

হীরম অসিগী মতাংদা দেভিদ ৱার্নরগা কুপ্না তানখি। মথং থাদা চৎকদৌরিবা ইন্দিয়া টুরগীদমক ৱার্নরবু পোত্থাহনবা মথৌ তাবা মরম্না হন্দক্কী ও দি আই সেরিজ অসিদা ৱার্নর য়াওহন্দনবা ফীরেপ লৌখিবনি।

মশাগী চহী ২১ শুবদা ঙাইরিবা ক্বিন্সলেন্দগী সেম হেজলেদপু ষ্টেট লেভেলদা ৱান দে গেম অমুক্তা ফাওবা শান্নখিদ্রবসু ওষ্ট্রেলিয়াগী টিমদা য়াওহন্নবা খনখি। মমাঙ চহীদা মহাক্না মপুন্সিগী অহানবা ওইনা ফার্ষ্ট ক্লাস লেভেলদা শান্নখিবদা চাংচত্তা রন ৪০ লৌবা ঙমখি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী টিম অদু ন্যু জিলেন্দগী ওকলেন্দদা থুংখিবগা লোয়ননা মেচ অহুমগী ও দি আই সেরিজগীদমক থৌরাং তৌবা হৌখ্রে।

ADVANCED COACHING INSTITUTE Regd. No.-729

Nagamapal Lamabam Leikai near RIMS Road

Only25 Seats per class(each section)

Max. no. of selection every year in min. no. of intakes

REGULAR MEDICAL & ENGINEERING COURSE (2017)

The Largest,Trusted&Premier Coaching Institute,Imphal in both Sc.&Arts

COHSEM Sc. & ARTS

Foundation Course for x and xii

ARTS & Sc. CBSE

Class xii Sc. 2nd Feb. 2017 | Class xii Arts 2nd Feb. 2017 | Class x 2nd Feb. 2017

Early morning batch 6am to 10am (25 seats) | Late morning batch(25) 10.30am to 2.30pm | Early evening batch 4pm to 7.30pm (25 seats)

Wanted one male and female warden and one cook

LAST REVISION COURSE FOR X and XII FROM 12th Jan. 2017

Fee concession for merit students, ex-students,OBCs,ST,SC,distance students

Separated boys,girls hostel,van service,library facility #7308911167/9862992105

HL-B/3619/18-17 Mar.(Alt.)

ANGELS' COACHING CENTRE

URIPOK POLEM LEIKAI

THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY

ADMISSION OPEN Foundation Course for Class I to X Starts: 5th Jan. 2017

5th Open Mega Mock Test for HSLCE 2017

RE - SCHEDULED TIME TABLE

| Date & Day | 31/01/2017 (Tuesday) | 02/02/2017 (Thursday) | 04/02/2017 (Saturday) | 08/02/2017 (Wednesday) | 12/02/2017 (Sunday) | 15/02/2017 (Wednesday) |
|---|---|---|---|---|---|---|
| Subject | Science | MIL (Man, El. Man.) | English | Social Science | Mathematics | Addl. Sub |

TOPPERS of 2016



1st Position Sohana Laishram Nirmalabas H/S; 2nd Position Naorem Suzanna Nirmalabas H/S; 3rd Position M. Vasundhara Little Flower H/S; 8th Position Wosoron C Tiny Tots; 9th Position Sindia A Nirmalabas H/S; 10th Position Yaisana A Nirmalabas H/S; 10th Position Chetanna RK Nirmalabas H/S; 11th Position Selina K Nirmalabas H/S; 12th Position Malemnganbi Kh Little Flower H/S; 12th Position Joyson Haokip Heritage

14 Position Jessica L; 15 Position Tanya G; 16 Position Ningthem H; 20 Position Eunice Y; 21st Position Th. Krishnakant; 22nd Position Sylvest K; 23rd Position Reeturani L; 23rd Position K. Ghanapyari; 24th Position Themson Saka; 25th Position Taibanganbi Kh

Contact : 9856988840 / 9402897710 / 8732022342

BOARDING FOR BOYS & GIRLS

HL-B/3606/12/01-11/02